মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): কাওন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস এলেভেন অমসুং হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংনা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবগী মতম শাংদোক্লে।

কোসেমগী সেক্রেটরি সীঐচ বিরেননা থোকখিবা নোটিফি-কেসন অমনা হায়, ক্লাস এলেভেনগী ওইনা এপ্রিল ৪ ফাওবদা ফাইন য়াওদনা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। কেন্দিদেট অমমমগী ওইনা লুপা ৫০০গী চাংদা ফাইন য়াওরগা এপ্রিল ১৬ ফাওবা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি।

হায়র সেকেন্দরি এগজামগী মতাংদা নোটিফিকেসন অসিনা হায়, এপ্রিল ৯ ফাওবদা ফাইন য়াওদনা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। মহৈরোয় অমমমগী ওইনা লুপা ৫০০গী চাংদা ফাইন য়াওরগা এপ্রিল ১৯ ফাওবদা ফোর্ম পীশিল্লগনি য়াগনি হায়রি।

লাইরিক অনী ফোঙগদৌরি

ককচিং, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): রাইটর্স এসোসিএসন, ককচিংনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা লাইরিক অনী ফোঙবগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৮দা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংগী মীপূনশঙদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা ফোঙগদৌরিবা লাইরিকশিং অদুদি নাওরেম চন্দ্রমনিনা ইবা লাইরিক 'ককচিং অমসুং মসিগী পুরম মরম নাৎ' অমসুং জ াসুমতি নোংমাইথেমনা ইবা শৈরেং লাইরিকনি। 'লৈকংলাগী চিগোংলৈ'গী মরমদনা পুখ্রম্বম নিমাইনা ৱা ঙাঙগনি।

সিক্যুরিটি মীট

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাওথ)কী মীৎয়েংখাদা অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ননা শীন্দুনা ঙরাং কাঞ্চিপুর ওফ কম্পনি ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা য়ুঠ ক্লবকী মেম্বরশিং অমসুং অকোয়বগী মীওই কয়ানা শরুক যাখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক সেক্যুরিটিগী ফিভম মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

লৈবাক চাওখৎহন্নবা লৌমীশিংগী চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তাই: বুংজাগিন বালতে

Water Pump sets, Drip &
Training Program
Micro Irrigation
MINISTERIAL STAFF

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): লৈবাক অসি চাওখৎহন্নবা লৌমীশিংগী যাইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ত্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেনা ফোঙদোকখ্রে।

হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন দিপার্টমেন্টকী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতা পাঙথোকপা লৌমীশিংদা ৱাটর পম্প সেট, স্প্রিঙ্কলর অমদি ইরিগেসন সিষ্টেমগী পোৎলমশিং য়েন্থোক্কপগী থৌরমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্রধাণ মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চাই য়োজনা (পি এম কে এস ৱাই)গী শরুক অমা ওইনা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন দিপার্টমেন্টনা মাইক্রো ইরিগেসনগী মতাংদা এৱেয়রনেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু লৌমীশিংগী যাইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মীপূম খূদিংমক মনিং তম্না মশাগী অনিংবা, অপাম্বশিং ফোঙদোকচবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, কন্সটিট্যুসন্না মীপূম খূদিংমক্তা ফ্রীদম ওফ স্পীচকী রাইট ফংহনবা তারবসু ওইদবা ৱা ঙাঙবা নৎত্রগা অরানবা ৱাফমশিং শেমদোক-শাদোল্লগা মীয়ামদা শন্দোকপগী থৌওং অসি ফ্রীদম ওফ স্পীচকী মনুং চন্দে। হিংমিন্নরিবা মীওইবা মশেল অমনা অমগী যাইফনবা খনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৌমীশিংগী যাইফনবা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলকপগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী লৌমী ৪৬ অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্তকী লৌমী ৩৯দা ৱাটর পম্প অমদি স্প্রিঙ্কলর সিষ্টেমশিং অতাবা মমলদা য়েন্থোক্কখি। থৌরাং অসিনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা লৌমীশিংগী মতেং ওইনরগনি।

হৌজিক হৌজিক ফেরজোল দিষ্ট্রিক্তনা শীং (জিঞ্জর) মরাং কায়না পুথোক্লবা পান্দম থল্লি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনদি কিহোম মরাং কায়না পুথোক্লগা মপান লৈবাক্তা থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি।

এৱেয়রনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মনিরেদাগী চেয়রমেনসু ওইরিবা এম এল এ গিনসুৱান হাও ঝৌ চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদব, ফেরজোলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মানুআমচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন ওফিসর কে সুভাসচন্দ্রনা মথংশীৎনা গেষ্ট ওফ ওনর, স্পেসল গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

এন সী দি সীদা ৱাকৎনবা ফেদরেসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): কোভিদকী লোকদাওন মনুংদা নেসনল কোওপরেটিভ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন সী দি সী)গী মখাদা ঙামীশিংদা লোন পীগনি হায়না শেল ময়াম'মা চঙহল্লবা মতুংদা লোন পীররোই হায়রকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পিসিকলচর কোওপরেটিভ সোসাইটি ৮০ হেনবগী অপূনবা 'দ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রেসিভ মল্টি ফার্মরস কোওপরেটিভ ফেদরেসন লিমিটেদ' কৌবা ফেদরেসন অমা শেমদুনা থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা এন সী দি সীদা ৱাকৎনবা শেম-শানবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা জিল্লা পরিষদ ওফিসতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা য়াওখিবা ঙামীশিংনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদকী ৱারবা লোকদাওন মনুংদা এন সী দি সীগী মখাদা ঙামীশিংদা লোন পীরগনি হায়রকপগী মতুং ইন্না মদুদা চঙবা চে-চাং অমদি শেনফমশিং পীখ্রবা মতুংদা হৌজিক্লা লোন পীররোই হায়রকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মদুনা মরম ওইদুনা লৈত-লায়রবা ঙামীশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

এস রতননা দিরেক্ট তৌবা 'ফতিমা' উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): ৱাঙ্গোইদা চথরিবা ফেষ্টিভেল ওফ বি কে ৱাহেংবম'স প্লেজ ২০২১গী হুম্নি চনবা নুমিত্তা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী কাঙলুপ্পা শানবা সনাবাম রতননা দিরেক্ট তৌবা 'ফতিমা' প্লে ঙসি উৎখ্রে।

চথরক্লিবা ফেষ্টিভেল অসি ৱাহেংবম ইরিগেসন ইন্টরপ্রাইজেস ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকায়না স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোরকপনি। ঙসি উৎখিবা প্লে অদুদা মরু ওইনা শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিং অদুদি- এস রতনকুমার, থোঙাম দেভিদ, পুখ্রম্বম সন্তোসিনি, য়ুম্নাম পোলোই, য়ুম্নাম রাজেস অমদি শান্থলেম্বী মোইরাংথেমনি।

প্লে অসিগী ষ্টেজনা এস রতনকুমার, মেকঅপ খুন্দোংবম রতনকুমার, কোষ্ট্যুম পুখ্রম্বম সন্তোসিনি, লাইট ৱাংখেম অমুজাও, ম্যুজিক এলাংবম জোগেন্দ্রনা ওইখি। প্লে অসিগী অইবনা বি কে ৱাহেংবনি।

ফতিমা হায়রিবা প্লে অসিগী নুংগী ওইবা দিরেক্টরগী ৱারোলদি- মীওইবগী পুন্সিদা হৌখ্রবা কাওঙমদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া লৈরম্বা য়াই অমদি লৈনরি। পুন্সি হায়বসিদি অহিংবশিংখক্তগী মচৎনি। অশিবগা অচঙবগা তোৎনদুনা শেম্বা পুন্সি য়াওদে হায়বা অদু উৎলি।

'গো কর্ণ' উৎকদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): বনিয়ান রেপরটোরি থিএটরগী অনৌবা প্লে 'গো কর্ণ' হয়েং যাইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক হোল (এম দি য়ু)দা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা নুংথিল পূং ৪ তাবা মতমদা উৎকদৌরি হায়না বনিয়ান রেপরটোরি থিএটরগী সেক্রেটরি লৈমপোকপম তিকেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্লে অসি সঙ্গিত নাটক একাদেমিগী মনা ফংখ্রবা প্লেরাইট য়ুম্নাম রাজেন্দ্রনা ইবনি অমসুং কেএসঐচ ফজতোন চন্নুনা লমজিং লমতাকপনি। সঙ্গিত নাটক একাদেমিগী শেন্থুং মখাদা পুথোকপা প্লে অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. লমাবম গোজেন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, সঙ্গিত নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী গভর্ণিং কাওন্সিলগী মেম্বর এস নবচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি বনিয়ান রেপরটোরি থিএটরগী চ্যেরমেন মেঘচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইগনি হায়রি।

লৈঙাক্কী মখাদা লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা নুপীগী কোলেজ অমা লৈরগনি: অন্তাস

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংচন্না লৈঙাক্কী মপূং ফাবা নুপীগী কোলেজ অমা অথুবা মতমদা লৈরগনি হায়না এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এ য়ূমখাইবম অন্তাস খাননা ঙসি লিলোং হাওরৈবি কোলেজগী অহানবা এলুম্নি মীট ২০২১দা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

লিলোং হাওরৈবী কোলেজ এলুম্নি এসোসিএসনগা শীল্লগা ঙসি কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম এল এ অন্তাস খাননা লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি ময়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মহৈ-মশিংগী লম্‌দা হেন্না মশক নাইবা কোলেজ অমা ওইহনসি হায়বা ৱাফমশিংসু থমখি।

লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি লিলোংগীদি মায়নি, ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু নীংথিনা তাকপী তন্বীদুনা মীকোক থোংবা মহৈরোয়শিং পুথোকপীয়ু। কোলেজ অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি অতৈ হীরমশিং শেমগৎ শাগৎনবা কোলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসু অথুবদা শেল্লগনি। লিলোং হাওরৈবী কোলেজদা আই এ এসনচিংবা অৱাংবা থাক্কী কোচিং তৌফম সেন্টর অমসু হাংনবা থৌরাং তৌরি ফোঙদোকখি।

কোলেজগী লন-থুমগী লন্নাই মীওই খরনা লৌথোকখি হায়বগী পাউ তাবদগী এম এল এনা নুংঙাইতবা উৎলদুনা অদুগুম্বা থবকশিং কনাগুম্বা অমত্তনা অমুক হন্না তৌবীগনু, ঐখোয় মশেল তাথোক-তাশিন তৌনরগা কোলেজ অসি হেন্না ফগৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

ঙসিগী এলুম্নি মীট অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পীকর কে রোবিন্দ্রোনা হায়, লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী এলুম্নি মীট অসি য়াম্না তমজনিংঙাইনি। মসিনা কোলেজ অসি হেন্না ফবা কোলেজ অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা ৱাংহল্লে হায়খি।

কোলেজগী প্রিন্সিপাল দা. রহেজুদ্দিন শৈখনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা এম এল এশিং অমদি কোলেজ অদুগী হান্নগী ওজাশিং, এলুম্নি মহৈরোয়শিংবু তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা কোলেজ অদুগী হান্না ওইরম্বা ফিভম অমদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম কয়া শুগায়না থমখি। কোলেজ অসি হিংনবা হোৎনবদা ময়াম পুন্নমক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

তুংদা কোলেজ অসি লিংখৎপীরম্বা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অমদি ওজা ওইরম্বশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মখোয়গী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা লৈনবা শেন্বীবা মপুদা থৌনিখি।

ওইনামদা দাইরি ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনামদা লৈবা নম্বোল সব-দিভিজন মিল্ক প্রোদ্যুর্স কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন অমসুং কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে), উৎলৌনা খূৎশম্নদুনা শীনবা নুমিৎ হুম্নি চৎথগদবা দাইরি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ওইনামদা লৈবা থম্বালমরিক কোলেজগী ইন্দোর ষ্টদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইতোঞ্জম ব্রোজেন, কে ভি কেগী সাইন্টিষ্টশিংদা দা. খাঙেম্বম ব্রজমনি, দা. থৌনাওজম নবকুমারনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা রিছোর্স পর্সনশিং ওইখিবা অখঙ-অহৈশিংনা শঙ্গোমগী পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা পায়খৎকদবা অমদি তৌগদবা থবকশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

লাইতোঞ্জম ব্রোজেননা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা শঙ্গোমগী পোথোক পুথোকপদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা লৈবাক ওইরি। অদুবু মথৌ তাবা চাংদগী পুথোকপা ৱাৎপনা শঙ্গোমগী পোথোক হেন্না পুথোকপা মথৌ তাবদগী ঙসি পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগুম্বসি য়াম্নমক মরু ওই। হৌজিক্তি শঙ্গোমগী পোথোক পুথোক্লগা য়োনফম লৈতবগী খুদোংচাদবা লৈত্রে। মরম অসিনা ষণ নীংথিনা লোইদুনা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্তুনা শরুক য়ারখিবা ষণ লোইদুনা শঙ্গোমগী পোথোক পুথোক্লিবা মীওই কয়ানা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): ঙসি অয়ূক তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কাইফুন্দাই ভিলেজগী নেসনল হায়ৱে-৩৭ লম্বীগী মনাক্তা নোংমৈনা পানবা মশক খঙদবা মীওই অমগী অশিবা হকচাং তাদুনা লৈরম্লে।

মমিৎ অমদি মখূৎ তুংদা পুনবা মশক খঙদবা মীওই অমগী অশিবা হকচাং লম্বীগী মতাইদা তাদুনা লৈরে হায়না কাইফুন্দাই পুলিসতা গাড়ী দ্রাইভরশিংনা পাউ পীরকপদগী কাইফুন্দাই পুলিসকী ও সী মনাথা কামৈনা লুচিংবা পুলিস টীম অমদি কাইফুন্দাইদা লৈবা ৩৭শুবা এ আরগা লোয়ননা স্পোর্ট মফমদা চত্তুনা অশিবা হকচাং লৌখৎখ্রে।

অশিবা হকচাং অসিগী মকোক্তা নাইন এম এমগী পিষ্টোলনা কাপ্পনি হায়না চিংনবা নোংমৈ মরূ ২গী দাগফম লৈরম্মী। কনানা করিগী হাৎলিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। মখা তাবা থিজিন্নবা অশিবা হকচাং কাইফুন্দাই পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

হীদাক্কী মমল হেনগৎলক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): পেন কিল্লর, এন্টি বাইওটিক অমদি অতৈ মরু ওইবা হীদাক-লাংথক খরগী মমল হেনগৎলকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

চহীগী ওইনা শেন্বা হোলসেল প্রাইস ইনভেষ্টতা অহোংবা খরা লাকখিবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশিংগী মমল হেনগৎনবগী মতাংদা সেন্টরনা অয়াবা পীখ্রবনি। হীদাক্কী মমল লেপ্লিবা নেসনল ফার্মাস্যুটিকেল প্রাইসিং ওথোরিটিনা হায়খি মদুদি, এপ্রিল থাদগী হৌনা মরু ওইবা হীদাক-লাংথক খরগী মমল চাদা ০.৫গী চাংদা হেনগৎলকপা য়াই। হোলসেল প্রাইস ইন্দেক্সকী মতুং ইন্না হীদাক্কী মমল হেনগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি। চহী অসিগী ওইনা হীদাক শুংবদা শীজিন্নবা মচাকশিংগী মমল চাদা ১৫দগী চাদা ২০ ফাওবা হেনগৎলকখি। মপান্দগী লৈবা পোৎলম খরগী মমলসু হেনগৎলকপা মরম্না মরু ওইবা হীদাক লাংথক খরগী মমল হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

স্পেসল কেম্প পাঙথোকখ্রে

7 DAYS SPECIAL CAMP
MOTTO: NOT ME BUT YOU

থৌবাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): য়ুঠ ফোর ক্লিনলীনেস এন্দ গ্রীনরি ইনভাইরনমেন্ট হায়বা হীরমদা নুমিৎ ৭নি চুপ্পা চৎথগদবা স্পেসল কেম্প অমা থৌবাল কোলেজ থৌবালগী এন এস এস য়ুনিট ১, ২ অমদি ৩না শীন্দুনা ঙসিদগী কোলেজ অসিদা হৌখ্রে।

'নোট মি বট য়ু' হায়বা মোট্টোগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা স্পেসল কেম্প অসি হৌদোকপগী থৌরমদা থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ও চাওবা, অমদি কোলেজ অসিগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এদুরেন্স সেল (আই ক্য এ সী)গী কো-ওর্দিনেটর দা. কেঐচ জুগিন্দ্রোনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হান্নগী এন এস এস-গী প্রোগ্রাম ওফিসর এল রোমেন্দ্রোনা অখঙ অহৈ ওইনা শরুক য়ারদুনা এন এস এসগী কান্নবা, ভোলুন্টিয়রশিংনা চৎকদবা চৎন-কাঙলোনশিং অমদি এন এস এস হৌরকখিবা ৱারীশিং মহৈরোয়শিংদা লীদুনা খঙহনখি।

লাঙথেলদা এম এল এ ব্রোজেননা থোং শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): লৈঙাক্লা পীরকপা চাওখৎ থৌরাংগী শেল ঙাইদ্রবসু মীয়ামগীদমক্তনি হায়রগা ঐগী লন্নাই লৈজবা শেনফম্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা কেন্দ্রসিগী মীয়ামগী যাইফ থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎখিগনি হায়না এদভাইজর টু সী এম, ৱাংজিং তেন্থা এ/সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক কেন্দ্রসিগী মনুং চনবা লাঙথেল মাইরেম্বম লৈকায়দা নৌনা শাবা থোং অমা শঙ্গানবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ ব্রোজেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা 'মমাঙদসু কেন্দ্রসিগী মনুংদা থোং কয়া শাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে। মতুংদসু লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগীদমক খল্লগা শাখিগনি। চাওখৎপা লমদম অমা ওইবদা লম্বী-থোং ফবা মথৌ তাই। থোং হায়বসি মীওইবগী লাপ্প রম্বা মরীবু নকশিন্নহল্লিবা অমদি নুংশিনহল্লিবা মরী অমনি। মরমদি তুরেলগী তোর্বান ৱাংমা ৱাংমদা লৈনরম্বা, লেপ্পরম্বা কয়াদু থোং অসিনা মরম ওইরগা নকশিনহল্লে অমদি নুংশিনহল্লে। মসিগীসু মথক্তা হিংবদা চঙদ্রবা যাদ্রবা পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা থোং অসিনা কান্নবা পীরগনি।

এম এল এম ব্রোজেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্র অসি অওনবা অমদি চাওখৎপা কেন্দ্র অমা ওহনবা হায়বসি ঐহাক্কী ইথৌনি খন্না হোৎনজখিগনি। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎচরকপা মতমদা মীয়াম্নসু কো-ওপরেসন পীবিয়ু হায়খি।

[illegible]
SAINIK SCHOOL IMPHAL

The recruitment for the post of Lab Asst (Biology) on 22 March 2021 has been postponed.

HL-P/9358/21

[illegible]
CAREER OPPORTUNITY
Now Hiring

We are looking for talented and enthusiastic applicant for Royal Enfield genuine exclusive outlet and servicing centre.

Post : Mechanic
No : 3
Salary : Negotiable for experienced
Phone : 7005886007 / 8731826857

Apply Now Limited Seats.
Send your Resume at outriders2021@gmail.com
www.boyo.co.in

Sd/- **Boris Nongthomba**
Marketing Operation Manager
Boyo Pvt. Ltd
Pishumthong Oinam Leikai

HL-P/9349/20, 21

ꯃꯥꯡꯈꯤ / GAS PASS BOOK LOST

I have lost my Original Gas Pass Book bearing SV TSV No. 100000585467812 dated 18/01/2018, Consumer No. 7061633796 issued by M/S Imphal LPG on the way from my residence to Waheng Leikai on 2/03/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kabita Mayanglambam**
Takyel Khongbal Mayai Leikai

HL-P/9360/21

ꯃꯥꯡꯈꯤ / GAS PASS BOOK LOST

I have lost my Original Gas Pass Book bearing SV TSV No. NA dated 11/02/1995, Consumer No. 5769 issued by M/S Imphal LPG on the way from my residence to Waheng Leikai on 2/03/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Mayanglambam Memcha Devi**
Takyel Khongbal Mayai Leikai

HL-P/9360/21

[illegible] / অথুবগী ওইনা CHOWKIDAR অমদি HELPER পামজৈ

চহী ২৫-৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা, নিশা চাদবা, মবুকচেল শেংবা মশা নান্‌বা, Two Wheeler থৌবা হৈবা মীওই ২ অথুবগী ওইনা পামজৈ। লৈফমগী খূদোংচাবা পীজগনি। * Salary Negotiable ওইগনি।

Please Contact,
Govindajee Gold Mortgage
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, # 91-7085917479

HL-B/6866/21,22

[illegible] / ইখ্বোল য়োঙ্গরি

অথুবগী ওইনা Kha-Lairenkabi দা লৈবা Point 108 চাওবা ইখ্বোল অমা য়োঙ্গরি। পান্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা ফোন তৌবীরকপা য়াগনি।

Please Contact : 7627930213

HL-P/9357/21

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST DISTRICT MANIPUR
[illegible] / NOTICE FOR OBJECTION

No.Prop/SR(IE)/2021: It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from Dr. Md. Abdus Sabir on 19/03/21 for registration under section 4(1)(2) and Section 5 of Minuthong Hatta, Imphal East, Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered association for submitting/inviting objection if any in writing Dr. Md. Abdus Sabir to the undersigned against the formation/ registration of proposed society/ organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaints/ objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/ NGO/ Orgn. May be initiated/ considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **N. Imomcha Singh**
Deputy Registrar of Societies, Imphal East

HL-P/9359/21

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ....
ARTS
SCIENCE
3RD Post '20 PH. FIROJH.
7TH Post '20 TH. OBINKUMAR
8th Post.'20 N. PARITON
8th Post.'20 N. PARIHAN
10th Post.'20 S. SANATHOI
5th Post '19 SHARMELI
5TH Post '19 H. BERON
8th Post. '19 LINTHOINGAMBI
10th Post. '19 L. BRINDASHI
19TH Post '20 ELIA NEPRAM
19TH Post'20 R.K. NEVITA
2th Post'19 ASEM SOPHIA
7th Post'19 W. NINGTHEM
4TH Post '19 ROBINSON
6TH Post '19 SHAH MINHAZ
8th Post.'19 ANJU ANAND
9th Post.'19 THOUNGAMBA
16th Post.'19 SAMANANDA
7th Post'19 W. SANAMATUM
8TH Post'19 U. ADHITYA
15th Post.'19 REHAN YUNNAM
22th Post.'19 R OSHAN KH.
23th Post'19 RICKY KHAIDEM
23TH Post'19 SOIBAM DIANA
24th Post.'19 L AMJINGBA
S. NEHA CBSE—95%
MANY MORE TOP-PRS
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
⟹ QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
⟶ TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM
TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.
SPECIAL REVISION COURSE FOR 40 DAYS
FOR QUARY : 9862992105
CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 25th MARCH
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 22ND MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) — 25th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22ND MARCH
★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX - ACIAN STUDENTS.
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
★ SEATS ARE LIITED FIRST COME FIRST SERVE
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION OF CLASS 6 TO 9
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/6807/23/2-25/3

[illegible]
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate (Rs)	No. Of Bricks	Amount (Rs.)	Transp. & Labour Charge (Concessional Rate)	Total (Rs.)
1st Class	16.00	3,000	48,000	1,500	49,500
		2,000	32,000	1,000	33,000
		1,500	24,000	750	24,750
2nd Class	15.00	3,000	45,000	1,500	46,500
		2,000	30,000	1,000	31,000
		1,500	22,500	750	23,250
1st Reject	14.50	3,000	43,500	1,500	45,000
		2,000	29,000	1,000	30,000
		1,500	21,750	750	22,500
Jhamat	14.00	3,000	42,000	1,500	43,500
		2,000	28,000	1,000	29,000
		1,500	21,000	750	21,750
P.T.	13.50	3,000	40,500	1,500	42,000
		2,000	27,000	1,000	28,000
		1,500	20,250	750	21,000
2nd Reject	12.00	3,000	36,000	1,500	37,500
		2,000	24,000	1,000	25,000
		1,500	18,000	750	18,750
3rd Class	10.00	3,000	30,000	Free	30,000
		2,000	20,000	Free	20,000
		1,500	15,000	Free	15,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			6,500	750	7,250

Contact Hour:
Mon to Sat : 6.00 am to 6.00 pm
Sunday : Phone and Transportation OFF

Please Contact :
1. 7005134130
2. 7005513073

HL-P/9348/20/3-6/4